# ‘বন্দে ভারত এক্সপ্রেসপু করেমনরিবশিং চৈরাক পীগদবনি’

***বরানসি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

থাংজ নুমিৎতা লমথাদুনা হৌদোকখিবদা টেক্নিকেলগী খুদোঙচাদবশিং থোকখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা ইঞ্জিন-লেস ট্রেন ‘বন্দে ভারত এক্সপ্রেস’পু করেন্নরিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নিসিয়ানশিং ঈকাইবা পীবগীদমক চৈরাক পীগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লিবা ৱারোল অসি ট্রেন অদু নংহৌরোই মতাগুম হাথু-হাথুনা চেনবা হৌদোকখি হায়না গভর্ণমেন্টতা মরান শীরকখিবা ওপোজিসন লূচীংবশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাহংশিংদা পীবা পাউখুম অমা ওইনা তৌই।

মীওই খরনা সেমি-হায় স্পীদ ট্রেন অদুদা অতন্ননা পান্দম থম্মি অমসুং করেন্নে। মসি লাইবক থিবনি। মসি প্রোজেক্ট অসিগী ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নিসিয়ানশিংগী মফমদা ঈকাইবা পীবা অমনি। ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নিসিয়ানশিং ঈকাইবা পীরিবা লোয়নন্না লৈবাক অসিবু করেন্নরিবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মীয়ান্না চেকশিনগদবনি হায়না বরানসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি অমনা হায়খি।

লাক্কদবা তুংগী মতমদা ইন্দিয়াদা বুলেট ট্রেন অমা শারক্কদৌরিবা অমসুং মদু চেলহনগদৌরিবা ইঞ্জিনিয়ারশিংদা ঐহাক্না সেলুট তৌরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং টেক্নিসিয়ানশিং অদুবু ঈকাইবা পীবসি চুমলিব্রা? মখোয়দা করেন্নবা চুমব্রা মখোয় অসি ঙাকপীগদ্রা? মতম চানা মখোয়বু অচুম্বা চৈরাক অদু পীফম থোক্লোইদ্রা হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হান্না ট্রেন ১৮ কৌরম্বা বন্দে ভারত এক্সপ্রেসনা থাংজ নুমিৎতা হৌদোকপগী খোঙচৎতা বরানসিদগী হল্লকপদা দিল্লিদগী কিমি ২০০ রোম লাপ্পদা য়ারকখিদবা থৌদোক অদুদা কোংগ্রেস চীফ রাহুল গান্ধী অমসুং সমাজৱাদি পার্টি লিদর অখিলেশ যাদবনা গভর্ণমেন্টতা ৱাহং হংখি।

অয়াম্বনা রেলৱে ওফিসিয়েলশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিং ওইবা তোংলিবা মীওইশিং অদু অতোপ্পা ট্রেন অমদা হোংদোকপা তাখি। ষ্টাফনা বন্দে ভারত এক্সপ্রেসকী কন্ট্রোল সিষ্টেমস য়াদ্রে হায়রকখিবনি।

হৌদোকপগী লমথারকখিবা মতুং ট্রেন অদুদা মৈখুশিং কারকপা উখি, কোচশিংগী মনুংদা পৱার ফেল ওইখি। ব্রেকশিং য়াখিদে মদুদগী ট্রেন অদু লেপখি।

বন্দে ভারত অসি দিভলপমেন্টকী ৱারি অমনি। লৌমীশিং শাওরি, নহাশিং থবক ফঙদ্রি, সেক্যুরিটি সিষ্টেম নীংখাইরে অমসুং লৈবাকসিগী ইকোনোমি কায়থরে হায়না অখিলেশ যাদবনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবনি।

## সি বি আইনা ৱাহং চথখিবা মতুং কোলকাতা পুলিস চীফ ট্রান্সফর তৌখ্রে

***কোলকতা, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

শরধা অমসুং রোজ ভেলি স্কাম কেসশিংগী মতাংদা সি বি আইনা ৱাহং-পাউহং চথখিবা কোলকতা পুলিস চীফ রাজীব কুমার ঙসি এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল (এ দি জি), অমসুং ইন্সপেক্টর জেনরেল এফ পুলিস (আই জি পি), ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সি আই দি) ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রে।

মহাক চহী ৩ কোলকতাগী পুলিস চীফ ওইরকখিবনি। কেসশিং অদুগা মরীলৈননা সি বি আইনা মহাকপু শিলোংদা নুমিৎ ৫নি ৱাহং পাউহং চথখিবা অদুদগী হল্লকখিবা নুমিৎ খরনিতগী মতুংদা মহাক ট্রান্সফর তৌখিবনি।

# নহাক্না ঙমদ্রবদি মাসুদ অঝার ঐখোয়না ফাগনি হায়না অমরিন্দর সিংহনা ইমরান খানদা খূৎতুম শীংখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

পুলৱামা এটেককী মতাংদা থবক লৌখৎপা য়াবা করিগুম্বা ইন্টিলিজেন্স ফঙলবদি মহাক্না থবক লৌখৎকনি হায়বা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহগী মফমদা পেলহনবা ঙমখিদ্রে অমসুং এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন ওইরিবা জৈশ-ই-মোহম্মেদ চীফ মসুদ অঝার পাকিস্তানদা লৈ অমসুং করিগুম্বা লৈবাক অদুনা টেরোরিষ্ট অদুবু ফাবা ঙমদ্রবদি নখোয়গীদমক থবক অদু ঐখোয়না তৌরগনি হায়না ইমরান খানদা অমরিন্দর সিংহনা খূৎতুম শীংদুনা ফোঙদোকখ্রে।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ত্বিটরগী খূৎথাংদা ফোঙদোকখিবদা -দিয়ার ইমরান খান, নহাক্কী বহৱালপুরদা জৈশ চীফ মাসুব অঝাদ ফমদুনা লৈরি অমসুং আই এস আইগী মতেংগা লোয়নন্না এটেকশিংগী ৱাখল পুথোক্লি। চৎলু মফম অদুদগী মহাকপু ফাও। অদুবু করিগুম্বা নহাক্না ঙমদ্রবদি ঐখোয়দা খঙহলকউ। থবক অদু নহাক্কীদমক ঐখোয়না তৌগনি।

এটেক অদুগী খূজিন-থৌরাং তৌখিবদু টেরর গ্রূপ অদুনি। হৌখিবা চহীদা গ্রূপ অদুদা য়াওখিবা স্কুলদা মহৈতম্বা তোল্লবা মশাগী চহী ১৯ শুরবা মীওই অদুনা ফেব্রুৱারি ১৪দা লান্মী ৪০ হাৎতুনা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী কনভোয়দা এটেক তৌখিবা বোম্বর অদুনি।

এটেক অদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা শাফু কয়া পীখ্রে। পাকিস্তানগী মথক্তা অশাওবগী ঈপোম অমা হৈথরকখিবা মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু এটেক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লমন খুমদুনা খূৎ হনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অসুন্না অকনবা শাফু ময়োক্নরবা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননসু করিগুম্বা এটেক তৌরল্লবদি মাগী লৈবাক্নসু খূৎ হনগনি হায়বগী পাউখুম পীরকখ্রে।

পোলিটিক্সতা খোঙদারক্ত্রিঙৈগী মমাঙ আর্মিদা থবক তৌরম্বা চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দ সিংহনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অদুদা অমসুং পাকিস্তানদা অকনবা পাউজেল অমা পীনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শোয়দনমক শিখিবা লান্মী মশীং অদুগী শরুক অনী হাৎকনি হায়খি।

ঐখোয়গী মীওই ৪১ হাৎখিবা মরন্না ঐখোয়না মখোয়গী ৮২ হাৎকনি হায়না অমরিন্দ সিংহনা হায়খি। ঈগী লমন ঈনা শিংনা মহাক্না দিমান্দ তৌখি।

# আইন কায়না ইন্দিয়াদা চংলকপা ফোরেনর ২৭০০০ থিংখি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা সেন্টরনা থমখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

অসামদা দিটেন্সন সেন্টর ৬তা মীওই ৯৩৮ ফাদুনা থল্লি অমসুং ট্রিবুনেলশিংনা মখোয়গী মনুংদগী মীওই ৮২৩বু ফোরেনরশিংনি লাওথোকখ্রে হায়না ঙসি সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা থমখ্রে।

অসামদা থবক চথরিবা দিটেন্সন সেন্টরশিং অমসুং হৌখিবা চহী ১০দা সেন্টরশিং অদুদা ফাদুনা থল্লিবা ফোরেনরশিংগী ৱারোল থাগৎলক্লবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অসিদা খঙহনখিবা সুপ্রিম কোর্টনা জনুৱারি থাদা হংখিবা ৱাহং ২৮গী পাউখুম সেন্টরনা পীখি।

সোলিসিটর জেনরেল তুশাল মেহতানা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচীংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমদা হায়খি, মকোক থোঙবা কোর্ট অসিনা হংলকখিবশিং অদুগী ৱাফমশিং পীবা মখোয়গী এফিদেবিটশিং সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা থাগৎখ্রে।

আইন কয়ানা ইন্দিয়াদা চংনবা হোৎনরকপদা বোর্দর পোইন্টশিংদা ফোরেনর ২৭০০০ হেন্না ঙমখৈগী ৱাংমদা তাহ্নোকখ্রে হায়না সেন্টরনা হায়খি।

জষ্টিসশিং- এল এন রাও অমসুং সঞ্জিব খন্নাসু য়াওবা বেঞ্চ অদুদা সোলিসিটের জেনরেলনা হায়খি, সেন্টরনা লূপা ক্রোর ৪৭ পীখ্রে অমসুং অসামনা হ্যুমেন রাইটসতা কায়রোইদবা মখল কয়াগী ফেসিলিটিশিং ফঙবা অনৌবা দিটেনসন সেন্টরগী অনৌবা বিল্ডিং অমা শানবা লম পীখ্রে। অনৌবা দিটেন্সন সেন্টর অসি অগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনূংদা লোইশিল্লগনি।

অদুম ওইনমক সোলিসিটর জেনরেল মিষ্টর মেহতানা মহাক্কী ৱাফমশিং অদু থল্লকখিবা মতম অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা মঙোন্দা ৱাহং কয়ামরুম হংলকখি। ত্রিবুনেলনা মীওই ৫২,০০০বু ফোরেনরশিংনি হায়না লাওথোকখি। অদুগা সেন্টরনা সুপ্পগী ১৬২ খক দিপোর্ট তৌখি হায়না বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

মীয়ান্না মতৌ করন্না অসাম গভর্ণমেন্টতা থাজবা থমগদৌরিবনো হায়না বেঞ্চ অদুনা মখা তানা হংখি। অসাম গভর্ণমন্টনা পাংথোকখিবা এন আর সিগী মতাংদসু বেঞ্চ অদুনা পনখি অমসুং এন আর সি অদুদা লাক্ষ ৪০ য়াওহনখিদে হায়খি। মদুনা তাক্লিবদি মখোয় ফোরেনরনি হায়রিব্রা হায়না হংখি।

অসামদা আইন্না য়াদবা মাইগ্রেন্টশিংগী ৱাথোক অসি হৌখিবা চহী ৫০দগী লৈরক্লে। মখোয়বু দিপোর্ট তৌনবা নৎত্রগা রি-পেট্রিয়েৎ তৌনবা খোঙথাংশিং করিগী লৌখৎত্রিবনো হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মখা তানা হংখি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱাহং অদুগী মতাংদা মিষ্টর মেহতানা আইন্না য়াদবা মাইগ্রেন্ট পূন্নমক চৎখিবা তাবনি। মতৌ করম্না রিপেট্রিয়েসনগী থবক থুনা পায়খৎকদবগে হায়বদুগী পাউতাকশিং অদু মহাক্না লৌরগনি হায়খি।

দিটেন্সন সেন্টরশিংগী ফিভম হ্যুমেন রাইটস শোক্নিংঙাই ওই হায়না ৱাকৎ অসিনা মরান শীরক্লি হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরশিং অদুগী ফিভম খঙহন্নবসু হায়খি।

লঞ্চ মতুংদসু সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং মখা চথখি।

# ১১২ঃ ইন্দিয়াগী অনৌবা পূল্লপ শুপ্পবা ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন নম্বর হোম মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা হৌদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি,ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

ঙসি লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৬তা সিঙ্গল ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন নম্বর ‘১১২’ হৌদোকখ্রে। মসিগী মমাঙদা হিমাচল প্রদেশ অমসুং নগালেন্দদা ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন নম্বর হৌদোকখ্রে।

হেল্পলাইন নম্বর ১১২ অসিনা পুলিস (১০০), ফয়ার (১০১), হেল্‌ঠ (১০৮), ৱুমেন সেফ্‌টি (১০৯০) অমসুং চাইল্ড প্রোটেক্সন গুম্বা সার্ভিসশিংগী খুদক্কী তেঙবাং পীগনি।

ইমর্জেন্সি নম্বর অসি ৱাৎহৌরিবা অতৈ ষ্টেটশিংদসু মথঙ-মথঙ শন্দোক্লকখিগনি। ইমর্জেন্সিগীদমক সিঙ্গল নম্বর অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ‘৯১১’ অদুগা মান্নে।

ইমর্জেন্সি নম্বর অদু হৌদোক্লদুনা হোম মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সিটিজেন্সশিংগী, মরুওইনা অকক্লবা মতমগী মনূংদা শোয়দনা চৈরাক ফঙহন্নবা লোশিং শেমদোকখ্রবা নুপীশিংগী শেয়-ঙামদনবগীদমক অচেৎপা ফিরেপ লৌরি।

হেল্পলাইন নম্বর ১১২ অসি মথঙ চহী ফাওবগী মনূংদা লৈবাক সিগী মফম পূন্নমক্তা এক্টিভেট তৌরগনি অমসুং কনাগুম্বা অৱাবা তারবা মীওই অমনা হান্ননা প্রোগ্রাম তৌরবা ফোনশিংগী সিঙ্গল কি অমখক নম্লগা হেল্পলাইন অদু ফংগনি হায়না মিষ্টর সিংহনা হায়খি।

১১২ ইমর্জেন্সি নম্বর হৌদোকখ্রবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, উত্তর খন্দ, পঞ্জাব, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, টেলঙ্গনা, তমিল নাদু, গুজরাত, পুদুচেরি, লক্ষাদিব, আন্দমান, দাদর এন্দ নগর হবেলি, দমন এন্দ দিয়ু, জম্মু এন্দ কাস্মিরনি।

হেল্পলাইন অসিদা অতোপ্পা মরুওইবা ফিচর অমা য়াওরি। স্মার্ট ফোনশিংদা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সেন্টর (ই আর সি)দা অথু-অকাইগী টেলিফোন কোল তৌনবা নহাক্না পৱার বটন অদু য়ান্না থুনা অহুম্লক নমগদবনি। চুন্নগী ফোনশিংদনা “৫ মতম কুইনা নমশিনগনি নৎত্রগা “৯” নমগনি সার্ভিসশিং অসি ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সপোর্ট সিষ্টেম (ই আর এস এস) ৱেবসাইটতা লোগীং ওন তৌরগা ওন লাইনদসু ফঙগনি।

ই আর এস এস ৱেবসাইটতা নহাক্না ইমর্জেন্সি ইমেল অমা থারকপা নৎত্রগা এস ও এস এলার্ট অমা ইমর্জেন্সি রিপোর্ট সেন্টরদা থারকপা য়াই। মীয়ান্না মাগী মাগী ষ্টেটকীদমক ই আর এস এস ৱেবসাইটতা লোগ তৌবসু য়াগনি অমসুং ষ্টেট ই আর সিদা ইমর্জেন্সি ইমেল নৎত্রগা এস ও এস এলার্ট থারকপা য়াই। নখোয়না গুগল প্লেষ্টোর অমসুং এপ্পল ষ্টোরদা লেন্না ফঙবা ‘১১২’ ইন্দিয়া মোবাইল এপ্প শিজিন্নবসু য়াই।

হোম মিনিষ্টরনা হায়খি সেফ সিটি ইমপ্লিমেন্টেসন মোনিটরিং পোর্টেলনা মেট্রো সিটিশিংদা নুপীশিংদা মখোয় শোয়-ঙাম্বা থোক্লরোই হায়বগী ৱাখল পোকহনগনি। গভর্ণমেন্টনা লূপা ক্রোর ২৯১৯ চঙনা অহানবা তাঙ্ককী ওইনা সেফ সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎনবগীদমক সিটি ৮ খনগৎলে। সিটিশিং অদুদি অহমেদাবাদ, বেঙ্গালুরু, চেন্নাই, দিল্লি, হায়দরবাদ, কোলকতা, লক্ষনৌ অমসুং মুম্বাইনি।

প্রোজেক্টশিং অসি নিরভয়া ফন্দ স্কিমনা ফন্দ থাদরগা পায়খৎপনি হায়না রাজ নাথ সিংহনা হায়খি।

# ওপোজিসন লূচীংবা শৌগৎলু নৎত্রগদি পূন্নমক মাঙজগনি হায়না ট্রাম্পনা ভেনেজুয়েলা মিলিটরিদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

***মিয়ামি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

ভেনেজুয়েলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাজ মদুরোনা য়ান্না শাথিনা মথৌ তারবা হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ চংবা য়াহন্দবদগী হেন্না লূশিলকখ্রবা ৱাথোক ওইরকখিবগা লোয়নন্না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পনা ওপোজিসন লূচীংবা জুৱান গুৱাইদোগী এমনেষ্টি ওফর অদু য়ানবা ভেনেজুয়েলাগী মিলিটরিদা অপিল তৌখ্রে নৎত্রগদি নখোয় পূন্নমক মাঙজরগনি হায়না অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌখিবা চহীদা প্রাসিদেন্ট মাদুরোবু অমুক হন্না মীখলদা খনখিবা অদু য়াখিদবা অমসুং জনুৱারি থাদা মশামক ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি লাওথোকখিবা অমসুং লৈবাক ৫০ রোমনা মাবু রিকোগনাইজ তৌখিবা গুৱাইদোবু প্রসিদেন্ট য়াহন্নবগীদমক হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ পুশিলকপা অদু য়ান্না মরুওইরি।

য়ান্না হেন্না ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংলকখিবনা চীঞ্জাক অমসুং হিদাক্কী অরুবা ৱাথোক অমা ময়োক্নরবা লৈবাক অসিদা চানা-থক্নবা অমসুং হিদাক-লাংথক, মরুওইনা য়ু এসকী তেঙবাং পুশিনবা য়াহনবা মহাক্না থাংজ নুমিৎ ফাওবা মাদুরো গভর্ণমেন্টতা মতম পীখিবনি।



মিয়ানিদা গুৱাইদো শৌগৎপশিং অমসুং ভেনেজুয়েলা এক্সপেট্রিয়েৎশিংদা ৱা ঙাংবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রাম্পনা মদুরোবু প্রসিদেন্ট ওইনা থম্বদা ওফিসিয়েলশিংনা তেঙবাংলি হায়বগী পাউ ফঙলে হায়খি।

মালেম পূম্বনা ঙসি নখোয়গী নথক্তা য়েংলি। নখোয়না হৌজিক খন্ননবা ময়োক্নরিবশিং অদুদগী লোৎতুনা লৈবা ঙমলোই। নখোয় ইমুংমনুংশিং অমসুং নহাক্কী লৈবাক মীয়ামগা লোয়নন্না শান্তি ওইনা নখোয়না লৈবা য়ানবা প্রসিদেন্ট গুৱাইদোগী এম্নেষ্টিগী পূকচেন চাওরবা খোঙথাং অসি নখোয়না খনবা নৎত্রগনা অনীশুবদা মখা তানা মাদুরোবু শৌগৎপা অসিনি।

করিগুম্বা অনীশুবা লম্বী অসি নখোয়না খনবা তারবদি নখোয়গী শোদ-ঙামদবা মফম অমতা ফঙলরোই। চেন্থোক্নবগী অরাইবা লম্বী লৈরোই। নখোয় পূন্নমক মাঙবা তাবনি হায়না ট্রাম্পনা হায়খি।

হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ অদু পুশিল্লক্নবা গুৱাইদোনা ভেলুনটিয়ার মিল্লিয়ন অমা য়ৌনা খোমগৎনবা পান্দম অমা থমখ্রে। হান্ননা ৬০০,০০০ রেজিষ্টর তৌরকখ্রে। ফেব্রুৱারি ২৩ ফাওবদা ঐখোয়না ভেনেজুয়েলান লিশিং চা কয়াগী পূন্সি কন্নবগী খুদোংচাবগী তাঞ্জা লৈরে হায়না গুৱাইদোনা হায়খি।

অদুবু গুৱাইদোগী খোঙথাং অসিগী ময়োক্তা মাদুরোনা রসিয়াদগী তেঙবাংগী পোৎ-চৈ টন ৩০০ লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনূংদা থুংলরগনি হায়না লাওথোকখ্রে। হায়রিবসি অরোইবা মতম থারিবা ফেব্রুৱারি ২৩গী নুমিৎ হুন্নিগী মাঙওইননি।

টিভিদা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ওফিসিয়েল ওইবা থৌরম অমদা ৱাঙাংবদা প্রসিদেন্ট মাদুরোনা পুরক্কদৌরিবা তেঙবাং পোৎলমশিং অদু হায়-ভেলূ মেদিসিন য়াওই হায়খি। মমাঙদসু মহাক্না চিনা, ক্যুবা অমসুং রসিয়া হায়বা মহাক্কী মরুওইবা খোঙবুশিংদগী তেঙবাং থুংলরগনি লাওথোকখ্রে।

হ্যুমেনিটরিয়ানা এইদকী মতাংদা মুক্নদুনা লৈরিবা অসি থুঙলরিবা কারগোশিং হোন্ননবা ঙমখৈগী এন্ট্রি পোইন্টশিংদা ভোলন্টিয়ারশিং পুরক্নবা বস ময়াম থৌরাং তৌখিবগা লোয়নন্না চয়োল লোইহা নুমিৎতা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লবা য়ারি। মরমদি প্রসিদেন্ট মাদুরেগী ওর্দরদা ভেনেজুয়েলাগী মিলিটরিনা থল্লিবা বোর্দর বেরিয়রশিং অদু গুৱাইদোনা মতৌকরম্না লান্থোকদৌরিবনো হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

# পুলৱামা এটেক মতুং ইন্দিয়াগা উংখৎনরিবশিং খন্ননবা পাকিস্তানগী সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরসিপকী মীফম পাংথোক্কদৌরি



***ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়ান লান্মী ৪০ হেন্না শিখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনূংদগী অমা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা চথখিবা অদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগা ৱাংনা উংখৎনরকখিবা অদু খন্ননবা চয়োল অসিদা পাকিস্তানগী সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরসিপকী মীফম পংথোক্লবা য়াই হায়রি।

ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদ অনীমক্না মখোয়গী এনভোয়শিং লৌথোকপগা লোয়নন্না এটেক অদুনা নাকন অনীগী উংখৎনবা ৱাংখৎহনখি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা পাকিস্তান এনভোয় অদুনা সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরসিপতা মাগী পাউদম থমগনি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউনা হায়রি।

নেসনেল সেক্যুরিটি অমসুং ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা ফোরম ওইরিবা হায়-পৱার নেসনেল সেক্যুরিটি কমিটি (এন এস সি)না চয়োল অসিদা মীফম অমা ফম্লবা য়ারি। মীফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা প্রিসাইদ তৌগনি অমসুং মরুওইবা ফেদরেল মিনিষ্টরশিং লোয়নন্না সার্ভিসেস চীফশিং শরুক য়াগনি হায়না পাউ অদুনা হায়রি।

লিখুনশিংগী মতুং ইন্না অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুনা পুলৱামা এটেক মতুংদগী ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংশিনগনি হায়রি।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পুলৱামা এটেক চথখিবশিং অদুগী মথক্তা লৈবাক অসিনা থবক লৌখৎলগনি হায়না অমুক্কা হন্না হায়খি অমসুং হৌজিক ৱারি শানবগী মতম হেল্লে হায়না মখা তাখি।

ইন্দিয়ানা শীরকখিবা মরানশিং অদু পাকিস্তাননা কন্না য়াখিদে। জে ই এম হায়রিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদু ২০০২গী মতূংদগী পাকিস্তানদা আইনা য়াদবা অমা ওইনা লাওথোক্তুনা লৈখ্রবনি অমসুং লৈবাক অসিনা সেঙ্কন্সস শিং পাংথোক্লবগী তৌফম থোকপশিং অদু পাংথোক্লি হায়খি।

## পি আই এনা পাক-বন্দিশিং পুরক্নবা চোংথোরকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ***

পাকিস্তান ইন্টর্নেসনেল এয়ারলাইন্স (পি আই এ)না সাউদি অরাবিয়াদগী পাকিস্তানি বন্দিশিং অদু ময়ুমদা পুরক্নবা চোংথোরকখ্রে।

পি আই এগী প্রসিদেন্ট অমসুং সি ই ও এয়ার মার্সেল অরসাদ মালিকনা সাউদি ক্রাউন প্রিন্সনা মাগী লৈবাক্তগী পাকিস্তানি বন্দি ২১০৭ থাদোক্কনি হায়বদু থাদোকলক্কবদি মখোয়বু পুরক্নবা নেসনেল ফ্লেগ কেরিয়র অসিনা থৌরাং তৌরে হায়খি। থৌদাং অসি লৌবা হায়বসি পি আই এগীদমক চাওথোকচনিঙাই অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 244/SDC/P of 2019*

1. Khundrakpam Ganavini Devi W/O (L) Meghachandra Singh
2. Kh. Somorendro Singh S/O (L) -do-
3. Kh. Jiten Singh S/O (L) -do-
4. Kh. Bipin Singh S/O (L) -do- all of Kongba Laishram Leikai.

***- Petitioners***

***-Verses-***

Kh. Meghachandra Singh S/O (L) Kh. Sengoi Singh of Kongba Laishram Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 19/2/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ- Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28-Porompat গী Patta No. 84 (অরিবা) 128/506 (অনৌবা) C.S. Dag No. 519/642 an area 0.20 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ - চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নন্না লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

SL/BILL(L)/20(A)

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 19/12/18
Sl. No. : 7780
Valid : 15/12/18
Sl. No. : 7181
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 25/01/19
Valid : 11/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 30/12/18
Valid : 24/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane**
Booking : 27/12/18
Valid : 07/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 13/01/19
Sl. No. : 240670
Valid : 09/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 noon

**Yairipok Gas Service**
Booking : 14/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking : 02/01/19
Valid : 28/12/18
Stk : 612, 5kg & 19kg Avail
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibakle Gas, Kakching**
Booking : 13/12/18
Valid : 02/12/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 03/01/19
Sl. No. : 490
Valid : 30/12/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 28/01/19
Valid : 22/01/19
Sl. No. : 300
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane Service**
Booking : 18/02/19
Valid : 05/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 17/01/19
Sl. No. : 17020 to 17370
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**J Rongmei Indane, Wangoi**
Sl. No. : 31101 to 31450
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 22/12/18
Valid : 18/12/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

সনা-সুদোকু -৪৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 9 | 8 | 2 | 5 | 6 | 3 | 7 |
| 5 | 6 | 3 | 1 | 7 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 7 | 2 | 8 | 6 | 3 | 9 | 4 | 5 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 5 | 9 | 1 | 7 | 6 | 3 |
| 1 | 5 | 7 | 3 | 8 | 6 | 2 | 9 | 4 |
| 9 | 3 | 6 | 2 | 4 | 7 | 8 | 1 | 5 |
| 8 | 9 | 5 | 4 | 1 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 6 | 7 | 2 | 9 | 5 | 3 | 1 | 4 | 8 |
| 3 | 4 | 1 | 7 | 6 | 8 | 5 | 2 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-45**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | 9 | 3 | | | | | 1 |
| 2 | | | | 5 | 7 | 9 | | |
| 7 | 6 | | 9 | | | | 3 | |
| | 1 | 7 | | 9 | | 5 | | |
| | 5 | | 7 | 1 | 3 | | 6 | |
| 9 | | 3 | | | 5 | 1 | | |
| | 9 | | | 7 | | 6 | | 5 |
| 5 | | | 6 | | | | | 7 |
| | 7 | 6 | | | | | 9 | |